# তিনসুকিয়াদগী অসাম পুলিসনা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎখ্রে

গুৱাহাটি, মে ২৫ (এজেন্সী):

অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থখিবা থি হুম্বগী থৌদোক্তা পুলিসনা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অসামগী তিনসুকিয়াগী মনুং চনবা দুলিয়াজানদা পুলিসনা চত্থখিবা রেদ অমদা য়াম্লবা দ্রগকী কন্সাইন্টমেন্ট অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রগশিং অদুগা লোয়ননা নুপী অমা য়াওনা মীওই ৪ পুলিসনা ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুদি বিজু গুর (২৪), সবিতা বালমিকি (২৩) সান্তানু বোরা (২৫) অমসুং কপ্পু অল্লি (১৯) নি। মখোয় মরিদগী পুলিসনা গঞ্জা কিলোগ্রাম ২৫ অমসুং হেরোইন পাউদর ফাখিবনি।

হেরোইন দ্রগ অদু অপিক অপিকপা পেকেট শেম্লগা মখোয় মরিনা পুরমখিবনি হায়রি। মখোয় মরিনা তোংলকখিবা কার অমসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে। কার অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এম এন ২১০ বি ৮১০৪ নি। মখোয় মরিদগী মোবাইল ফোন মরিসু ফাগৎখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহংগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। মখোয় দিব্রুগর জেলদা থাজিনখ্রগনি হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মখোয়না পুরক্লিবা গঞ্জা অমদি হেরোইন অদু মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৫ রোমগী ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা তিনসুকিয়াগী অতোপ্পা মফম অমদসু পুলিসনা চত্থখিবা থি হুম্বগী থবক্তা মীওই অমা ওপিয়ম কিলোগ্রাম অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদু ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ নীনিগী রিমান্দ লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কা লোয়ননা অতোপ্পা মীওইশিং থবক তৌমিন্নব্রা হায়বগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।



ইম্ফাল সাইকুল রোদতা লৈবা শম্বৈ য়ুথ ক্লবনা কোনবা জগাদা মীওই ৯৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা য়ুমথোং ৮০ দা মপাও জিংসো হায়না খঙনবা খুল অসিগী চীংমীশিংনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা চানা থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাং পীরকখিবা

# অৱাং নোংপোক্তা কোভিদ-১৯ কেস ৱাংখৎলকপদা দোন্নর মিনিষ্ট্রিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

গুৱাহাটি, মে ২৫ (এজেন্সী):

অৱাং নোংপোক লমদম অসি মথংগী কোভিদ-১৯ হোটস্পোট ওইরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট খরগী মতাংদা নুংনাংবগা লোয়ননা দোন্নর মিনিষ্টর জিতেন্দ্রা প্রসাদনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী হেল্থ সেক্রেটরিশিংগা অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা কোভিদ-১৯ লায়চৎ কনখৎলক্লিবা অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা দোন্নর মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতনিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক্কী অহানবা ৱেভতা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি কোভিদনা কা হেন্না শোকহনখিদে।

সিক্কিমগুম্বা ষ্টেট খরদি লোকদাউন মনুংদা কোরোনা পোজিটিভ কেস অমা ফাওবা থেংনখিদে। তৌইগুম্বসুং চহী অসিগী ওইনদি হৌখিবা চয়োল অনীরোম অসিদা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা কোরোনা পোজিটিভ কেস মশীং খংৱাং ৱাংখৎলকখি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা মহাক্লা তত্তনা পাউ ফাওনরি অমসুং ষ্টেটশিং অসিদগী মায়কৈদগী দিমান্দ তৌরকপা মতেং খুদিংমক সেন্তরনা অথুবা মতমদা ফংহল্লে হায়নসু দোন্নর মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# ভি সী উদবগী মতাংদা গভর্ণরদা খঙহনখ্রে

শিলোং, মে ২৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা নোর্থইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি (নেহু) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এস কে শ্রীবাষ্টাব কেম্পসতা লৈতবগী মতাংদা কোলেজ অসিগী মহৈরোয় অমনা মেঘলয়াগী গভর্ণমেন্টনা সৈত্যপাল মালিকতা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মহাক্কী পুক্নিং চিংশিনখ্রে।

নেহুগী ইংলিশ দিপার্টমেন্টতা এম এ মরিশুবা সেমিষ্টর তম্লিবা মহৈরোয় অমা ওইরিবা কোষ্টানটিন দোটদোমনা চেরোল অদুগী খুত্থাংদা নেহুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর লুরবা কোরোনা ভাইরস লায়চৎকী মতম অসিদা কদাইদা লৈখ্রবগে হায়বগী মতাংদা ইনক্কারি অমা চত্থনবা গভর্ণরদা তকশিনখি।

ভি সীনা কেম্পসতা লৈতবা অসিনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয় কয়া তৌফম খঙদবগা লোয়ননা হৌজিক চত্থরিবা এগজামশিং অমসুং হোষ্টেল রেগুলেসনগী মতাংদা লৌফম থোকপা মরু ওইবা ৱারেপ কয়া লৌবা ঙমদনা লৈরে। কোভিদ-১৯ না থোকহল্লিবা লুরবা তানফম অসিদা প্রোফেসর এস কে শ্রীবাষ্টাবনা মহৈরোয়শিং অমদি য়ুনিভর্সিটি অসিবু লমজিংবগী য়াম্না মরু ওইখ্রবা থৌদাং অসিবু থাদোকপা হায়বসি য়াম্না লাইবকথিবা অমনি হায়না মহৈরোয় অসিনা চেরোল অদুদা পনখি। নেহুগী মহৈরোয় অসিনা মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিং, রিসার্চরশিং অমদি অতৈ কয়াবু এক্সন প্লান অমত্তা থল্লম্বা তৌদনা থাদোক্তুনা থম্বা হায়বসি থৌদাং মশক খঙদবা ভি সীগী অচৌবা অশোয়বা অমনি।

# নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা রুরেল এরিয়শিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনরি: নৈফ্যু



কোহিমা, মে ২৫ (এজেন্সী):

নাগালেন্দগী রুরেল এরিয়শিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবা হোৎনবদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং পায়খৎলি হায়না নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দারো গাজনদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্টদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা রিওনা হায়, শাথিরবা কোরোনা ভাইরস অসি রুরেল এরিয়াশিংদা চঙহল্লোয়দবনি। মসি মহাক্কী গভর্ণমেন্টগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমশিংগী মনুংদা অমনি। বেদ ১০০ লৈবা কোভিদ-১৯ গী টেম্পররি হোস্পিটাল অমা ওন্থোক্লবা ইন্সটিট্যুট অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভম য়েংশিনবা চৎলিবা চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচত্তা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই পতোন, হেল্থ এন্দ ফেমেলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এস পাংন্যুফোম অমসুং অতৈ কয়াসু শরুক য়াখি। চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি নাগালেন্দদা লোকলাক দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ লায়না য়ৌদ্রিবা অমত্তা ঙাইরবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্টনি। নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা রুরেল এরিয়শিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপা থিংনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লায়না অসি লাকশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা মরু ওইবা পাম্বৈ ওইনা ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভ অকনবা মওংদা চত্থরি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা শেলগী ফীভম ফত্তবদগী লায়েংবদা ৱারবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী মতেং পাংনবসু হোৎনরি হায়না মহাক্না ফোঙদোখি।

# অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসামনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী চৈথেং খ্বাইদগী হেন্না ফংলি

গুৱাহাটি, মে ২৫ (এজেন্সী):




লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরক্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা খ্বাইদগী হেন্না অসামদা চৈথেং পীরি। অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৫,৭৬৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ৯২ শিহনখ্রে হায়রি।

অসাম ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং২৪ দা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবগীদমক পুন্না সেম্পল ১,১৪,৩১৫ কলেক্ত তৌখি। মদুগী মনুংদা ৫,৭৬৭ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিভ ওইবগী চাং অসি চাদা ৫.০৪ ওইরি। নৌনা থেংনখ্রবা কেস মশীং ৫,৭৬৭ গী মনুংদা ৬২৪ দি কামরুপ মেত্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি হায়রি।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ষ্টেট অদুদা মীওই ১০০ হেন্না লায়না লাইচৎ অসিদগী রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে।

অসামদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেট অসি চাদা ৮৪.৮৪ ওইরি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৬,২২১ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৮৪ শিহনখিবনি। হায়রিবা অদুগী মনুংদা ৭২৯ দি কামরুপ মেত্রো খক্তদগীনি। পনবা য়াবদি হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,৯৬,৪২৭ থেংনখি। ঙসি থেংনখিবা কেস মশীং অসি থারগা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস ২৫,৮৬,৭৮২ লৈরি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা পুন্না মীওই ৩,২৬,৮৫০ রিকোভর তৌখি হায়রি।

# CROSSWORD-3791



## ACROSS

1 Absconds (7)
5 Prospect (5)
8 Sixteen ounces (5)
9 Drive backwards (7)
10 Coincide partly (7)
11 Outmoded (5)
12 Dress (6)
14 Outcome (6)
18 Fracture (5)
20 Voted into office (7)
22 Breed of dog (7)
23 Normal (5)
24 Glasgow's river (5)
25 Destroyer (7)

## DOWN

1 Certificate (7)
2 Bring about (5)
3 Busybody (7)
4 Sweet and thick (6)
5 Very bright (5)
6 Extend (7)
7 Alter (5)
13 Treatment (7)
15 Overture (7)
16 Small fish (7)
17 Cowardly (6)
18 Fundamental (5)
19 Cutting implement (5)
21 Torso (5)

**Solution 3790**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | U | B | I | S | M | | P | E | R | S | I | A |
| A | | L | | H | | | | L | | T | | C |
| N | O | O | S | E | | S | O | L | O | I | S | T |
| I | | O | | E | | A | | I | | N | | O |
| N | O | M | I | N | A | L | | P | O | K | E | R |
| E | | E | | | | T | | S | | | | S |
| | | R | E | C | I | P | I | E | N | T | | |
| P | | | | I | | E | | | | A | | D |
| H | E | I | R | S | | T | W | A | D | D | L | E |
| O | | S | | T | | R | | P | | P | | V |
| B | E | L | I | E | V | E | | P | H | O | T | O |
| I | | A | | R | | | | L | | L | | U |
| A | L | M | O | N | D | | D | E | F | E | C | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3590

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | 2 | | | | | 1 | 6 |
| | | | 1 | | | | | |
| | | | 5 | | | 2 | | 7 |
| | 6 | | | 4 | 9 | 7 | | |
| | | 4 | | | | 8 | | |
| | | 9 | 8 | 2 | | | 5 | |
| 4 | | 5 | | | 7 | | | |
| | | | | | 3 | | | |
| 1 | 7 | | | | | 4 | | 5 |

## Solution-3589

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 7 | 1 | 5 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 |
| 8 | 6 | 3 | 1 | 7 | 4 | 5 | 2 | 9 |
| 5 | 2 | 4 | 9 | 3 | 8 | 1 | 6 | 7 |
| 7 | 8 | 6 | 3 | 4 | 1 | 9 | 5 | 2 |
| 4 | 9 | 2 | 8 | 5 | 6 | 3 | 7 | 1 |
| 1 | 3 | 5 | 2 | 9 | 7 | 6 | 8 | 4 |
| 2 | 4 | 8 | 6 | 1 | 3 | 7 | 9 | 5 |
| 3 | 5 | 7 | 4 | 8 | 9 | 2 | 1 | 6 |
| 6 | 1 | 9 | 7 | 2 | 5 | 4 | 3 | 8 |

# EMPLOYMENT NEWS

Bank Note Press Dewas Recruitment 2021 bnpdewas.spmcil.com: Bank Note Press Dewas (Madhya Pradesh) invites online applications from eligible Indian Nationals for recruitment of various positions of Dewas Unit. The online registration process will be start from 12th May 2021 to 11th June 2021.

India Government Mint Dewas Unit Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Welfare Officer
01
Supervisor (Ink Factory)
01
Supervisor (IT)
01
Junior Office Assistant
15
Junior Technician (Ink Factory)
60
Junior Technician (Printing)
23
Junior Technician (Electrical / IT)
15
Junior Technician (Mechanical / AC)
15
India Government Mint Noida Vacancies:
Name of Post
No of Vacancies
Secretarial Assistant
01
Junior Office Assistant
03
Age Limit:
30 years for Welfare Officer, Supervisor posts.
28 years for Junior Office Assistant, Secretarial Assistant Posts.
25 years for Junior Technician Posts.
Pay Scales:
Welfare Officer: ? 29740 - 103000 (Level A-2)
Supervisor: ? 27600 - 95910 (Level S-1)
Junior Office Assistant: ? 21540 - 77160/- (Level B-3)
Junior Technicians: ? 18780 - 67390/- (Level W-1)
Secretarial Assistant: ? 23910 - 85570/- (Level B-4)
Educational Qualifications:
Welfare Officer: A Bachelors Degree + A Degree or Diploma in Social Science. Has adequate knowledge of Hindi as also of the language spoken by the majority or the workers in the factory.
Supervisor (Ink Factory): 1st Class full time Diploma in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology. IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Supervisor (IT): First class full time Diploma in Engineering in the IT / Computer Engineering. Higher qualification i.e. B.E. / B.Tech / B.Sc. Engineering in relevant trade.
Junior Office Assistant: Graduate degree with at least 55% marks and Computer Knowledge with typing speed on computer in English @ 40 wpm / Hindi @ 30 wpm.
Junior Technician (Ink Factory): Full time ITI certificate in Dyestuff Technology / Paint Technology / Surface Coating Technology / Printing Ink Technology / Printing Technology along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Printing): Full time ITI certificate in Printing Trade or relevant trade. Minimum 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Electrical / IT): Full time ITI certificate in Electrical, Electronics along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Junior Technician (Mechanical / AC): Full time ITI certificate in Fitter, Machinist Turner, Instrument Mechanic, Mechanic Motor Vehicle along with 01 year NAC certificate from NCVT.
Secretarial Assistant: Graduate (Bachelor's Degree) with at least 55% marks. Computer Knowledge. Stenography in English or Hindi @ 80 wpm and Typing @ 40 wpm in English or Hindi.
Selection Process:
Written Test
Interview
Application Fee: Not Specified.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through BNP Dewas official website from 12th May 2021. The last date for registration of online applications is 11/06/2021.

EMRS Teacher Recruitment 2021 recruitment.nta.nic.in: Ministry of Tribal Affairs (MoTA) has published EMRS Notification 2021 for selection of Teaching staff for Eklavya Model Residential Schools (EMRSs). The EMRS Teaching staff selection examination 2021 online registration will be start from 1st April 2021 to 31st May 2021.
EMRS TEACHING STAFF SELECTION EXAM (ETSSE) 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Trained Graduate Teachers (TGT)
1906
Post Graduate Teachers (PGT)
1207
Vice Principal
114
Principal
173
Age Limit:
TGT: Up to 35 years
PGT: 40 years
Vice Principal: 45 years
Principal: Not exceeding 50 years
Pay Scales:
TGT: Level 7 Rs 44900 - 142400/-
PGT: Level 8 Rs 47600 - 151100/-
Vice Principal: Level 10 Rs 56100 - 177500/-
Principal: Level 12 Rs 78800 - 209200/-
Educational Qualification and Experience:
Principal:
(1) Master's degree.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(4) Minimum 10 years teaching Vice principal / PGT / TGT) in a recognized high school/ Higher secondary school / Senior Secondary School/ Intermediate college.
Vice Principal:
(1) Master's degree, and B.Ed or equivalent degree, and Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
(2) Minimum 02 years' experience of working on the post of PGT or lecturer at level 8 (Rs.47600-151100) in Central/ State Govt./ Autonomous organization of central / State Govt.
PGT:
(1) 02 years Integrated Post Graduate course in the concerned subject with at east 50% marks in aggregate (OR) Post Graduate with at least 50% marks in aggregate in relevant subjects.
(2) B.Ed.or equivalent degree from a recognized University (Not applicable on PGT IT).
(3) Proficiency in teaching in Hindi and English medium.
TGT:
(1) 04 years Integrated Degree course of Regional College of Education of NCERT in the concerned subject with at least 50% marks in aggregate (OR) Bachelor's Degree with at least 50% marks in the concerned subject/ combination of subject and in aggregate.
(2) B.Ed or equivalent degree.
(3) Pass in the State Teacher Eligibility Test (STET) or Central Teacher Eligibility Test (CTET) Paper-II, conducted by CBSE in accordance with the Guidelines framed by the NCTE for the purpose.
(4) Proficiency in teaching in Hindi and English medium
Selection Process: EMRS Teaching Staff Selection Exam (ETSSE) will be conducted in Computer Based Test (CBT) Only.
Application Fee:
2000/- for Principal and Vice Principal Posts.
1500/- for PGT and TGT posts.
The fee can be submitted only online through Net Banking, Credit Card, Debit Card, UPI or Paytm Services etc.
No fee for SC / ST / PWD category candidates.
How to Apply: Eligible Interested Indian Citizens apply online through National Testing Agency (NTA) Recruitment Portal (recruitment.nta.nic.in) from 1st April 2021. The last date for registration of online applications is 30/04/2021. The Last date for registration of online application has been extended up to 31/05/2021.

